ꯍꯨꯢꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ০৭, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৫০শুবা মশীং

এম য়ুগী ভি সী

ষ্টেট লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙদুনা লৌবা য়াবা থৌদাং লৌহন্নিংই

কুমজা ২০১৮দা প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর (ভি সী) ওইবদগী লৌথোক্কদবনি হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী কম্যুনিটি অহুম্না মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুংদা মণিপুর হায় কোর্টনা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ১১দা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী সেক্রেটরিসু ওইরম্বা জর্নেল সিংহবু এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা এপোইন্ট তৌখি। জর্নেল সিংহবু এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপ্লকপদগী মতম অদুদা এম য়ুদা লৈরম্বা ঈরাংশিং অদু নেমথখিবগা লোয়ননা মহৌশাগী ফীভমদা তপ্না তপ্না হঞ্জিল্লকখি। চহী ২ হেন্না ভাইস চাঞ্চেল্লরগী ওফিস পায়দুনা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরম্বা জর্নেল সিংহনা মহাক হৌখিবা নবেম্বর ৩০দগী থবক্তগী পোথাবদা অয়াবা পীবীয়ু হায়না মণিপুর হায় কোর্টতা হায়জরকপদগী কোর্ট অসিনসু মহাক্না এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা থবক পায়বদগী পোথাবদা অয়াবা পীখি। জর্নেল সিংহনা পোথাখিবদগী এম য়ুগী থবক থৌরমশিং অসি হৌখিবা দিসেম্বর ১দগী ভি সী য়াওদনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। রেগ্যুলর ভি সী হাপত্রবসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট ২০০৫কী মতুংইন্না ভি সী ইন-চার্জ অমসু হাপ্পা লৈত্রি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রারনা মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন্দা অইবা চেরোল অমা থাদুনা ভি সী ইন-চার্জ অমা হাপ্পীনবা হায়জবা লৈখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা)নসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভিজিটরসু ওইরিবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দদা অইবা চেরোল থাদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা এম য়ুগী ভি সী হাপ্পীয়ু হায়নসু তকশিনখ্রে। অমরোমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)নসু হৌজিক হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা ভি সীগী ফম অসি মেনশিন্ননবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনখিবা লৈখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রারদা থারকপা অইবা চেরোল অমনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট অমসুং ষ্টেট্যুটকা মরী লৈনবা প্রোভিজনগী মখাদা ভি সী ওফিসকী ইন-চার্জ অমা হাপ্পনবা প্রোসেস তৌরি। কম্পিটেন্ট ওথোরিটিগী অয়াবা হেক ফংবগা হাপ্পগনি। মরম অসিনা মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা পাউ অমা এম য়ুদা ফাওরকপগী মতম অদু ঙাইবীয়ু হায়নসু খঙহল্লকখ্রে হায়রি। অদুবু হৌখিবা নুমীৎ ৬নিরোম অসি ভি সী য়াওদনা য়ুনিভর্সিটি অসি চলাইবগী ফীভম লাকপনা একাদেমীক অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ ফঙ্কসন খুদিংমক পেরালাইজ ওইরকপা য়াবগী অকিবা লাক্লে। ফীভম অসি মখা তানা অসুম চথুরক্লবদি মায়কৈ কয়াদগী শোয়দনমক্কী মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিন্নরক্কনি। নুমীৎ ৬ নি হেন্না ভি সীগী ফম হাংহন্দুনা থম্বা হায়বসি মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপগী খুদমনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। ভি সী য়াওদনা য়ুনিভর্সিটি অমা চলাইবা হায়বসি য়ারোই খঙনা খঙনা মিনিষ্ট্রিনা ভি সী ইন-চার্জ হাপ্তুনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদদি মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমদি মরী লৈনবশিংনা পেন্নদ্রে। মীৎয়েং শানবা মীশক অমবু অথুবা মতমদা এম য়ুগী ভি সী ইন-চার্জ ওইনা হাপ্পনবা থৌরাং লৌখৎহন্নিংই। মদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ত্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা অফবা একাদেমীক এটমোস্ফিয়ার অমা লাকপদা মতেং ওইগনি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সীগী ফম অসি অসুম হাংহন্দুনা থম্লবদি শোয়দনমক্কী মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংদা খোয়রাং খোয়শাওনবা পোক্লক্তুনা ঈরাং কয়া থোরক্কনি। মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংনা ঈরাং হৌরকপা ঙাইবগী মহুৎতা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ভি সী ইন-চার্জ হাপ্পনবা মতিক চাবা থবক পায়খৎহন্নিংই। ষ্টেট লৈঙাক্লসু হীরমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা লৌবা য়াবা থৌদাং লৌহন্নিংই।

◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

জল জিৱন মিসনগী মখাদা অফবা থক্লবা ঈশিং ফংহনবিয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা ষ্টেট অসিবু চাওখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনবিরি। মসিমক লমদম অসিগী ওইনা য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। লোয়ননা তুংদা লৈবাক মীয়ামগী ওইনা য়াম্না কান্নবা কয়া পীবা হায়বদু ওইগনি। মতাং অসিদা ইকায়খুম্নজরিবা এদিটরগী খুৎথাংদা লৈঙাক্তা হায়জনিংবা ৱাফমদি হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট অসিদা মণিপুরগী য়ুমথোঙ খুদিং থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহন্ননবগী পান্দমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগী জল জিৱন মিসনগী মখাদা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎপিরি। হায়রিবা থৌরাং-থৌশিল অসিগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচনবা তেল্লৌ চানাদসু অফবা মখলগী থক্লনবা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়জরি। হায়রিবা খুঙ্গং অসিদা হৌখিবা চহী ২০ লোমদগী থক্লনবা অফবা মখলগী ঈশিং ফংদনা লাক্লি। চহী ২০ লোমগী মমাংদা টোতি ঈশিং খরা তারম্মী অদুবু ঙসি ফাওবদা হায়রিবা শাংলবা চহী অসিগী মনুংদা খুল অনীসিদা ঙসিসু টোতি ঈশিং ফংদনা লৈরি।

লৌউ-শিংউবনা মরুওইবা শিনফম ওইবা খুঙ্গংশিং অসিগী মীওইশিংনা শেন্থোক লন্থী লৈত্রবসু হিংবদা তঙাইফদনা ঈশিং মথৌ তাবা মরম্না হৌখিবা য়াম্লবা চহী অসি পুখ্রিগী ঈশিংবু থক্লবা ওইনা শিজিন্নদুনা লাক্লি। হৌজিক-হৌজিক্লা হৌখিবা চহী খরগী মমাংদগী ঈশিং লৈদুনা থক্লুরি। মসিনা মরম ওইদুনা শেন্থোক লন্থী ৱাৎলবা মীয়ামদা চাওনা অৱাবা পোৎলুম অমা পীবা হায়বদু ওইরে। অৱাবা চৈথেং অমা পীবা খক নত্তনা অফবা ঈশিং থক্তবনা মরম ওইদুনা ফত্তবা ঈশিংনা থোকহনবা অনা-অয়েক কয়া অমা য়াওনরে। মরম অদুনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা জল জিৱন মিসনগী মখাদা থক্লবা ঈশিং ফংনবা শিনবিয়ু।

অদোমগী - লাইশ্রম লৈশেম্বা
চানা ময়ায় লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেট্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?
২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?
৩) "ইনুংশোয়গী ঙাচিং" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?
৪) "অরায়বা ৱারেং লাইরিক" হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?
৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি "লৈপুন", অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লৌমীশিংগী কাখল

তিলহৌ থাবা

ডো. এম থোইথোই সিংহ

তিলহৌ-চনম অসি লৌমীশিংগী য়াম্না মরুওইবা মরোই-মপাংশিংগী মনুংদা অমনি। হান্নদি অপিকপা ফৈদোম অমা-অনীদা লমদমসিগা চানজরক্লবা 'তিলহৌ মচা' খরা নত্তনা পংথা থানরমদে। অদুবু ঙসিদি পাকশন্না মখল কয়াগী তিলহৌ থানরক্লে। মালেম পূম্বগী ওইনা য়েংবদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী হেন্না তিলহৌ থাই। মিলিয়ন হেক্টর ০.৪৯গী লমদা তিলহৌ থানরি। পোথোক পুথোকপগী চাং য়েংলগনা অনীশুবা ওইদুনা মিলিয়ন টন ৪.৯ লোম পুথোক্লি। পাম্বী অমদা ক্বিন্টন ২৩৫ পুথোক্তুনা গুজরাটনা ইন্দিয়াগী মনুংদদি মাঙজিল থারি। ষ্টেট অসিগী ওইনা য়েংলগদি তিলহৌ থাদবগুম্বনি। ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদগী পুশিল্লকপদা নত্তনা ম্যান্মারদগীসু চাং ৱাংনা পুশিল্লক্লি। মায়কৈ অসোমদা য়াম্না পূক্লিং চংশিনবা মথৌ তারি। অমরোমদা এঞ্জাং-নাপি কয়াগী মরক্তা তিলহৌ-চনম থাজিনবনা লায়না তীলনা তাবা হন্থবগী অচৌবা মরম অমা ওইবনা তঙাইফদনা থানীংবা পোৎলম অমা ওইরক্লি।

তিলহৌ মখল : মণিপুরদা চানবা তিলহৌ মখলশিং 'মসিনি' হায়বা অমা লৈত্রগসু মতম মতমগী থানবা মরূ-মরাং য়োল্লিবা দুকানশিংদগী লৈরগা থানবা ঙাক্তনি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা তিলহৌবু মখল কয়া থোক্লা খাইদোক্লবসু মীয়াম্না পাম্নরিবসি অঙাংবা মখল (নাশিক রেদ) গুম্বা অসিনি। অসিগুম্বা মখলশিংনা লায়না তীলনা তাবা হন্থে। অঙৌবা অমসুং লায়না তীলনা তাগনবা তিলহৌদি লৌমীশিংনা পাম্নদে। নাপু মচুগী তিলহৌ অমসুং চবুন-চবুন ওইনা মরূ তাবা তিলহৌ মচা (মল্টি প্লায়র ওনিয়ন) শিংসু অঙাংবা অচৌবা তিলহৌশিংগা চাংদম্নবা য়াদে, পাম্নদে। মমিং পনবা য়াবা খরদি Prema, Agrifound dark red নি। মসিগী মথক্তা hybrid মখল কয়াসু থানরে।

অঈং-অশা : য়াম্না ঙন্না নৎত্রগা থেংনা হুনবা তিলহৌশিং মপাল ঙন্না শাগল্লি। ওক্টোবর অমসুং নবেম্বরগী অওনবা মতমদা হুনবা তিলহৌশিংনা মপাল মরা তাবা হেল্লি। তিলহৌ মরূ তাদ্রিঙৈ (ঙল্লিঙৈ মতম), অঈং অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১৩দগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা তিলহৌ মরূ তাবা হৌরকপদনা অঈং-অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১৫.৫দগী ২১ ফাওবা লৈবা অমসুং নোংমদা পুং ১০ উরুম লাংদনা নুংশা ফংবা মফম্না হেন্না তিলহৌ মরূ তাই। পোথোক লৈ।

লৈবাক : ফোলি তাবা মফমনা হেন্না চানৈ। লৈঙোইনা নম্বা মফমশিং তিলহৌ থাবা নুংঙাইরবসু ঈশিং তোয়না পীবা তাই। লৈতান ওইবা মফমনা ঈশিং পীবগী চাং হন্থরবসু থাবা নুংঙাইতে। তিলহৌগী শাহৌদা অকায়বা লৈ, মরূশিংগী মওং কায়, শেন্থ্রেনবা মরূ য়াম্না য়াওই। পোথোক হন্থে। অশিন-অয়াক্কী চাংদি শিল্লপ তৌবা মফমশিং হায়বদি pH ৫.৮দগী ৬.৫ ফাওবা লৈবনা মণিপুরগী অয়াম্বা মফমদা চানৈ। অদুমকপু তিলহৌনা pH ৫.৮দগী ৮ ফাওবা ফজনা হৌবা ঙম্মী।

হার : ষন্থি-ষণয়ুংগী নৎত্রগা নাপী-শিংবীগী মপূং ফানা পথুরবা হার ক্বিন্টল ৭৫, শঙম ১ চাউবা তিলহৌ থাফমদা হাপ্পীগনি। নৎত্রগসু মহুৎ লৈনবা য়াবা কম্পোষ্টশিং হাপকনি। য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ৫৩দগী ৬০, শিঙ্গল সুপরফোস্ফেট কিলোগ্রাম ৮০দগী ১০০ অমসুং পোটাস কিলোগ্রাম ৩৫দগী ৫০ ফাওবা শঙম ১ পাক চাউবা তিলহৌ থাফমদা হায়বদি লিংথোকফমদা নৎত্রগা পাম্ফেল ওইনা তৌগদবা মফমদা হাপকনি। অদুমকপু তিলহৌবু পামফেল ওইনা হুনবা হায়বসিদা মাঙজবা য়াম্না লৈ অদুবু মণিপুরগী মফম খরদদি তৌবা য়াওনরি।

ষন্থি-ষণয়ুংগী নৎত্রগা নাপী-শিংবীগী মপূং ফানা পথুরবা হারশিং থম্ফম শেম্বা মতমদা হাপ্পীগনি। হাপকদবা য়ুরিয়াগী শরুক তঙ্খায় অমগা সুপরফোস্ফেট অমসুং পোটাসকী অপূনবা শরুক্কা পূন্না তিলহৌশিং লিংথোক্লমদাইদা হাপকনি। অরেম্বা য়ুরিয়াগী শরুক তঙ্খায়দুনা তিলহৌ পাম্বীশিং লিংখ্রবা মতুং চয়োল ৫/৬ লৈরগা চাইশিনবীগনি।

তিলহৌ থাফমদা হাপকদবা য়ুরিয়াগী চাং হায়বসিদা য়াম্না চেকশিনবা চংই। নাইট্রোজেন হেন্না ৱাংখ্রবা তিলহৌশিং লীবা নুংঙাইতে, মতোন থোক্লল্লি। নাইট্রোজেন ৱাৎলগনা ঙন্না মপাল শাগল্লি। ৱাৎপা-হেনবা অনীমক্তা অকায়বা লৈ। খ্বাইদগী হেন্না ফবদি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্লগা হার হাপ্পসিনি।

মরূগী চাং : চারা ওইনা লিংথোকপদা শঙম অমগীদমক মরূ কিলোগ্রাম ২দগী অনীমখায় ফাওবা চংই। পামফেল ওইনা হুনবগীদমক্তদি মরূ কিলোগ্রাম ৫দগী কিলোগ্রাম তরুক্কা গ্রাম ২৫০ ফাওবা চংই। মরূ লৈবদা চংখিগদবা শেল অমসুং অকুং-অরলদা অকায়বা য়াম্না লৈবা মরম্না তিলহৌ লিংথোকপগী থবক্লা হেন্না কান্নে অমসুং পাম্লে।

চারা হুনফম : ইঙ্খোলগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা মফমদা চারা হুনফম শেমগনি। য়াম্না পাকপা মফম অমদা চারা হুনফমনি হায়দুনা পুল্লপ শেমজিনবা, ইপাক পাক্লা থাবা ফত্তে। মিটর ০.৬তগী মিটর অমা ফাওবদং পাকপা অমসুং মিটর ৩ শাংবা মফমশিংদা শেম্মীগনি। চারা হুনফমগী ফৈদোম সেন্টিমিটর ১৫ হায়বদি ইঞ্চি তরুক্তগী তাদনা চিংখৎকনি। মথৌ তাবগী মতুংইন্না মিটর ১ পাকপা, ৩ শাংবা, সেন্টিমিটর ১৫ ৱাংনা ফৈদোম চিংখৎলবা চারা হুনফম মশীং লেপথোক্কনি। শঙম অমা চাউবা তিলহৌ থাফম অমগীদমক অসিগুম্বা চারা হুনফম ১০দগী ১২ ফাওবগী মথৌ তাই। চারা হুনফম অমদা (১x৩x০.১৫) ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা নাপী-শিংবী পথু-পুমথরবা হার কিলোগ্রাম ১৫-২০ ফাওবা হাপহৌগনি। মরূদা হিদাক তোৎলকখ্রবা ওইরবদি অমুক তোৎত্রবসু য়ারে। তোৎলকত্রিবা ওইরগদি Trichoderma গ্রাম ১০ মরূ কিলোগ্রাম খুদিংদা তোৎহৌগনি।

লিংথোকপা : চয়োল ৬/৭শুরবা চারাশিং লিংথোক্লবা শেম শাবা য়ারে। ফোয়বা য়ারক্লবা চারাশিংদা ঈশিং পীবগী চাং হন্থরক্কনি। অদুবু চারাশিং ফোয়বা নুংঙাইনবা ফোয়গদবা পুং ৪/৫ ৱাৎলিঙৈদা ঈশিং পীগনি।

লিংথোক্লমদাইদা Carbendazim 50% গ্রাম ২ ঈশিং লিটর খুদিংদা তুমহনবীরগা কাপথোক্কনি। মসিনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা লায়হল্লি। পরেংগা পরেংগা সেন্টিমিটর ১৫ (ইঞ্চি তরুক) অমসুং পাম্বীগা পাম্বীগা সেন্টিমিটর ৭.৫ (ইঞ্চি অহুম) থাপ্পনা লিংথোক্কনি। চয়োল অমা ফাওবগী মনুংদা শিখিবা পাম্বীশিং অনৌবা চারাশিং শীজিন্নগনি।

পোথোক ৱাংনা পুথোক্লবগীদমক নৌরিবা চারাশিংদগী হৌনা য়াম্না চেকশিনবা চংই। ●

ঙাদা তোয়না নাগনবা লায়নাশিং অমদি ঙাকথোক্লবা পান্থে

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অসি ষ্টেট নিপান্না শাবা লমদমনি। ষ্টেটশিং অসি মিং ওইনা পল্লবদা অরুনাচল প্রদেশ, আসাম, মণিপুর, মেঘালয়, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমদি ত্রিপুরানি। মহৌশা লাইরেম্বীনা লমদম অসিবু মখল মখা কয়াগী ঙা অমদি ঈশিংগী তুংনফম ওইহল্লি। লমদম অসিগী মীশিংগী চাদা ৯০দি ঙা চায়। মরম অসিনা ঙাগী পোৎথোক অমদি দিমান্দ অনীগী মরক্তা ঙসিসু অচৌবা অৱাৎপা লৈরি। চহী খুদিংগী অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী লমদমসিদগী ০.২১৪ মিলিয়ন টোনগী চাংদা ঙাগী পোৎথোক পুথোকই। মসিদগী চাদা ৫০ দি ঙায়োক ফার্মশিংদগী পুথোকই। মসি ওইরবসু, ঙসিগী মতম অসিদদি ঙাগী লায়না হায়বদি শন্দোক্কনবা নৎত্রগা লৌনগনবা অমদি লৌনগদবা লায়নাশিং অসিনা ঙাগী পোৎথোক পুথোকপদা চাং হন্থহননবা মরম অমা ওইরি। মরম অদুনা ঙা য়োক্লিবা মীওইশিংগী শেন্থোক লন্থীদা অচৌবা অকায়বা পীরি।

ঙায়োক পুখ্রিশিংদা লায়না থোকহন্দনা থমগে হায়রবদি ঙাশিংবু মশা ফনা থম্বা মথৌ তাই। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা ঙাদা তোয়না নাগনবা লায়নাশিং অমদি মখোয়দগী ঙাকথোক্লবা পান্থে অমসুং লায়েং মখাদা পীজরি।

১) মিৎকী লায়না ঃ ঙাশিংগী মমিৎ, মিৎ নহা ঙাংলক্কনি অমদি ঙৌদোং ওইরক্কনি। তুংদা খুদোংথিনিঙাই ওই, শিবা ফাওবা য়াওই। হায়রিবা লায়না অসি মরুওইনা বেক্টিরিয়ানা নাহনবনি। মরম অদুনা য়াম্না শন্দোক্কল্লি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি পুখ্রিশিং অদু পোটাসিয়ম পর মেনগনেট চাইথোকপীগনি। চাইগদবা চাংনা পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লুবা মফমদা গ্রাম ১০০ চাইবীগনি। মথংদা শুনু কিলো ৩০ চাইবিগনি।

২) কলমনরিস/কতন ক্রল লায়না ঃ হায়রিবা লায়না অসিসু বেক্টিরিয়ানা থোকহনবনি। লায়না অসিনা নারবা ঙাশিংদা ঙৌরি-ঙৌরি তৌবা দাগ থেংনগনি। ঙাগী গিলদা থমচেৎমানবীগুম্বা অঙৌবা পকপা থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি য়োক্লিবা ঙাগী মশীং হন্থহনবা, শুনু কিলো ২০০ অমদি থুম কিলো ১০০ পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইথোক্কনি। অনাবা ঙাশিং অদু ফাদোক্তুনা মৈ থাদুনা নৎত্রগা মফম চানা মাঙহনখিগনি।

৩) দেকটাইলোগাইরোসিস অমসুং গাইরোদেকটাইলোসিসঃ

লায়না অসিসু পেরাসাইট মখল অমনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা নারবা ঙাশিংদি পোথাফম খঙদবগী মওং থেংনগনি। ঙাগী মচু মুশিল্লক্কনি। ঈশিংদা লৈবা অকনবা পাম্বী নৎত্রগা উগুম্বদা তকপা থেংনগনি অমদি ঈশিংগী ঈমাইদা চাবা থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি ফোর্মেলিন লিটর অনী মখায় পরি অমা চাউবা পুখ্রিদা চাইবীগনি নৎত্রগা পোটাসিয়ম পর মেনগনেট কিলো অমা পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইবীগনি।

৪) ব্লেক স্পোট/দিপ্লোসতোমিয়সিস ঃ লায়না অসিসু পেরাসাইট মখল অমনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা নারবা ঙাশিংদা অমুবা মতুম মচা মচা পক্কনি অমদি মমিৎতা ঙৌদোং পকপগুম্বা থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি ঙা য়োক্লিবা পুখ্রিদুদগী থরোই নৎত্রগা কোংগ্রেং পূম্নমক লৌথোক্কদবনি।

৫) অরগুলোসিস ঃ লায়না অসি অরগুলস হায়রিবা পেরাসাইট অসিনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা নারবদি ঙাশিংগী মশাদা ঈ থোকপগুম্বা দাগফম মচা মচা থেংনগনি অমদি পুখ্রিগী লৈরাইদা চঙশিন্দুনা তকপা থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি লা/উপাক/ৱা থাদদুনা পেরাসাইটশিং অদু নপহল্লগা লৌথোক্কনি নৎত্রগা সাইপরমেথাইনো মিলি: ১০০ পরি অমা চাউবা অদুগা মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইগনি নৎত্রগনা পোটাসিয়ম পরমেনগনেট কিলো ৪ পরি অমা চাউবা অমদি মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইগনি।

৬) লারনিয়সিস ঃ হায়রিবা লায়না অসিসু লারনিয়া হায়বা পেরাসাইট মখল অমনা থোকহনবনি। লায়না অসিগী লায়ওং অসি মথক্তা পনখ্রিবা অরগুলোসিসকা য়াম্না মান্নে অমদি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী থৌওংসু চপ মান্নে।

৭) ইপিজুটিক অলসরেটিভ সিন্দ্রোম ঃ লায়না অসি কোকফাই মখল অমা অমদি মসিগা লোয়ননা অতোপ্পা মহিকশিংগা পুল্লগা থোকহনবনি। লায়না মখল অসি ঈশিংনা ঈংশিল্লকপা অমদি ঈশিং ফৎলক্তবা মতমদা য়াম্না থোক্কল্লি অমদি য়াম্না শন্দোক্কল্লি।

লায়না অসিনা নারবদি ঙাগী মশাদা চাফৎপগুম্বা থেংনগনি অদুবু নাইগুম্বদি থেংনরোই। লায়না অসিনা খরা কন্না নারবদি ঙাগী মশাগী শরুক অমা য়াওদবসু থেংনগনি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি সিফেক্স লিটর অমা পরি অমা পাকপা অদুগা মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইথোক্কনি।

(৮) ন্যুট্রিসনল দিসওর্দর ঃ ঙাগী মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা অৱাৎপা কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা লায়না কয়া থোকহল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাগী মকোক চাওথোক্লগা মতোংগী শরুক য়াওদবা, মমিৎ তাঙলকপা, ঙাগী ময়াংলেন শরু কোল্লকপা অমদি মমিৎতা ঙৌদোং লৈরকপা অসিনচিংবনি। হায়রিবা লায়নাশিং অসি ভিটামিন অমদি মিনরেলশিং ৱাৎলকপা অমদি মহু চেনবা পোৎশক চারুবদগী থোকহল্লকপনি। হায়রিবা লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি মচল শুবা মচিঞ্জাক পীজবীবা অসিনি। করিগুম্বা চেঙকুপ অমদি থাউথি পীজবীরবদি কিলো ১০০গী মচিঞ্জাক শেম্বীবা মতমদা ভিটামিন অমদি মিনরেলগী মিকচর কিলো ১ য়ানবীরগা পীজবীবা কান্নগনি।

(৯) অকোয়বগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবদগী থোকহল্লকপা অকায়বশিং ঃ ওক্সিজেন ৱাৎলকপদগী ঙা ময়া কাদুনা লৈবা, কার্বোনদাইওক্সাইদ হেনবদগী ঙাগী মশাদু নান-নান লাউবা মনাং য়াম্না থোক্লকপা নাইট্রোজেন অমসুং ওক্সিজেনগী চাং হেনমনবদগী গ্যাস ববল লায়না থোকহনবা, হাইড্রোজেন সলফাইদকী চাং হেনবদগী পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা চাবা ঙাশিং শিরকপা অসিনচিংবা অসি ঙানা লৈরিবা অকোয়বগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবদগী থোকহল্লকপনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি ঈশিংগী ফীভম ফনা থম্বা অমদি সাইন্টিফিক ফিস ফার্মিংগী কাঙলোনশিং কায়দনা পাঙথোকপীগদবনি।

লোইশিল্লকপদা ময়ামদা ৱাহৈ খরদং থমজগে মদুদি ট্রিটমেন্ট হায়বসি করিগুম্বা প্রোব্লেম অমবু ফহননবগী অরোইবা খোঙথাংনি। মরম অদুনা প্রোব্লেম থোকত্রিঙৈগী মাঙওইননা প্রোব্লেম থোক্লক্তনবা ওইনা হোৎনমিন্নরসি। ●

মালেমগী লৈবাক লৈহাওগী নুমিৎ

ডো. ৱাইখোম জিতেন

চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম কুমসিসু মালেমগী লৈবাক লৈহাওগী নুমিৎ, দিসেম্বর ৫, ২০২০, থাংজ নুমিত্তা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমদি ইরমদম অসিদসু লৌউ-শিংউগী লোইশঙশিংনা পাঙথোক্লখি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি কুমসি চহীগী ওইনা "Keep soil alive, protect soil biodiversity" হায়বদি 'লৈবাক লৈশাসু হিংহল্লু, লৈবাক্তা লৈরিবা অহিংবা জীব খুদিংবু ঙাক শেল্লু" হায়বসিনি।

'লৈবাক লৈশাবু হিংহল্লু' ৱাফম অসিনা তাক্লিবদি লৈবাক অসি অহিংবনি অদুগা অশিবা লৈবাকসু লৈবা য়াই। লৈবাক অমদি লৈশা অসি মতম লৈবা খিবিক্তা তপ্না তপ্না হান্নগী ফীভমদগী ওল্লি। মালেম্না হেক শেম্বা হৌরকপদগী নোংজু নুংশা অমদি অঈং-অশাগী ওইরিবা ফীভমশিংনা মরম ওইদুনা অচৌ অচৌবা নূংজাওশিংনা কায়থরক্তুনা লৈঙোই, ফোলি (Silt) অমদি লৈতান্নচিংবা শেন্নবা মতুংদা মদুদা অহিংবা জীব মখল কয়া অমনা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরি। অসুম্না লৈবাক্তা লৈগদবা তোঙান-তোঙানবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অমদি অহিংবা জীব মখল মথেল শুনা লৈদুনা অহিংবা লৈবাক ওইহল্লি। লৈবাক লৈশা অসি অতোপ্পা অহিংবা জীবশিংগুম হিংদুনা লৈনবগীদমক ঈশিং অমসুং নুংশিৎ তঙাইফদনা চঙই। ইশম শম্না হায়জরবদা অহিংবা লৈবাক হায়রবদি পোৎথোক চাথোক পুথোকপা ঙল্লিবা লৈবাক লৈশাবুনি। অদুগা লৈবাক্তি ওইরগা মদুদা তোঙান তোঙানবা পাম্বীশিংনা হৌবা ঙমদ্রবা অমদি মীৎনা উবা নৎত্রগা উদবা মখলগী তোঙান তোঙানবা জীবশিংনা লৈবা ঙমদ্রবা লৈবাক অদুবু অশিবা লৈবাক কৌই।

হেন্না চাথোক লৈবা পাম্বীগী মখলশিং থানরকপা অমদি লৌরোক মশীং হেন্না লৌফম অমদগী লৌনবা হোৎনবগা লোয়ননা ষন্থি-ষণয়ুং অমদি কম্পোষ্টনচিংবা শীজিন্নবগী মহুত্তা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখল অমা নৎত্রগা অনীখক য়াওবা হার মখলশিংতমক শীজিন্নরকপনা মরম ওইদুনা লৌফম অমদা য়াওগদবা তোঙান-তোঙানবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী মখলদা চাউনা অকায়বা পীরে। অসুম্না তৌবা অসিনা পাম্বীনা হৌবা মতমদসু শাহৌ ফবা ঙমদ্রে অমদি লৈবাক মনুংদা লৈগদবা তোঙান-তোঙানবা মীৎনা উবা অমদি উদবা জীবশিংনা হিংবদসু খুদোংচাদবা মায়োক্লহন্দুনা মখোয়গী মশীং হন্থহল্লে। মতৌ অসুম্না লিশাং শিৎনা চথুরক্লবদি লৌফম অদু মতম খরগী মতুংদা লৌউ-শিংউবগী শিনফমদা শীজিন্নবা য়াদবা মফম অমা হায়বদি অশিবা লৌফম ওইরকই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ঐখোয়না পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী খল চানা পীবিবা, ষন্থি-ষণয়ুং/কম্পোষ্ট অমদি পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং লৌফমদা মওং চুম্না হাপ্পীদুনা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং মতম চানা পায়খৎপীগদবনি। মতম চানা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীদুনা অখঙ অহৈশিংগী পাউতাক ইনবীদুনা মশা-মউ ফবা অফবা লৌফম অমা পুন্না শেম্মীন্নরসি।

ঐখোয়গী লৌফমদা উচি, তিন্থ্রোক, নাচল, চিক্রিবি অমদি তোঙান তোঙানবা মীৎনা উবা জীব ময়াম অমা অমদি মীৎনা উবা ঙমদবা কোকফাই শুজা মখল মথেল ময়াম অমা য়াওরি। অচৌবা জীব মখলশিং অসিনা লৈবাক মনুংদা মফম অমদগী অমদা চৎনবা লম্বেল শেম্বা মতমদা ঈশিং অমদি নুংশিৎনা লৈবাক মনুংদা চঙনবগী পান্থে ওইহল্লি। কা হেন্না কন্না ফাজিনগদবা লৈবাক অদু হোমদোকহল্লি অমদি মফম শিন থুংনা পাম্বীগী মরানা চৎপদা মতেং পাংই। অমরোমদা অমুক ঈশিং অমদি নুংশিৎকী খল চানা লৈবাক মনুংদা লৈহনবা অসিনা পাম্বীগী মরা, মরূ অমদি লেমহৌখাকশিংনা য়াংনা পথু-পুমথদুনা লৈশা ওন্দুনা লৌফমদা ওর্গানিক মেট্রর য়াওবগী চাং ৱাংখৎহনবদা মতেং পাংই।

লৈবাক মনুংদা লৈবা মীৎনা উবা ঙমদবা অহিংবা জীব মখলশিংনা লৈবাক্তা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা পাম্বী মচিঞ্জাকশিংবু পাম্বীনা লৌবা ঙমগদবা মওংদা ওন্থোকপদা মতেং পাংই। লৌফমদা পাম্বীনা কান্নগদবা তোঙান তোঙানবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং মপূং ফানা য়াওজরবসু অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসিবু পাম্বীনা লৌবা ঙমগদবা মওংদা ওন্থোক্লবগীদমক তোঙান তোঙানবা জীবশিং অসি লৈত্রবদি কান্নফম খঙদে। মরম অসিনা ঐখোয়গী লৌফমদা মীৎনা উবা অমদি মীৎনা উদবা অহিংবা জীবশিংগী অকক্লবা খল অমদা থমদুনা লৈবাক লৈশা অদু লিশাং শিৎনা লৌ উবা য়াবা মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনবগী মতম অদু য়ৌরে।

অসিগুম্বা জীবশিং অসিনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং ষন্থি, ষণয়ুং/কম্পোষ্ট মতম চানা অমদি মওং চুম্না হাপ্পীদুনা মশা-মউ ফবা অফবা লৌফম অমা শেম্মীন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোংঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।